**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-10.2024)**

**চাইল্ড (এল)ঃ** মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়রি-রাজ্য অসিদা চাইল্ড রাইটস পোলিসি শেমলে। মসি চৎনরগদি মনিপুরনা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাইল্ড রাইটস পোলিসি চৎনবা অহানবা রাজ্য ওইরগনি।

খেলেন থোকচোম ত্রষ্টনা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস অমসুং মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা জর্নেলিষ্ট খেলেন থোকচোমগী ৬৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়-থা ১৮ শুরক্লবা ইরাং অসিদা রাজ্য অসিগী অঙাং লিশিং ২৫ রোম চৈথেং ফংলি। অসিগুম্লবা লানগী চৈথেং নংলিবা অঙাংশিং অসিদা সোসিএল মেদিয়া পায়রিবা মীওই খরনা অরুবা ৱাহং হংজিনবা অমদি মখোয়গী ফোটো ভিদিওনচিংবা লৌদুনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপগী থৌওং অমা চথরিবা অসি লাইবক থিবনি। মসিনা অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সি অমদি মখোয়গী হক্তা শোকহনগনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীদনবা কম্মিসন অসিনা মমাংদা হায়জখিবসু লৈখ্রে।

মহাকা হায়-সোসিএল মেদিয়া পায়রিবা মীওইশিং অদুগী ৱাখলদদি মখোয়না তৌরিবা থবক অদু অঙাংশিং অদুগী মতেং পাংবনি হায়না খল্লম্বদি য়াই অদুবু, কম্মিসন অসিগী মীৎয়েংদদি মসি অরানবা খোঙথাংনি।

মহাকা হায়-অসিগুম্লবা লাঞ্জেন্নরক্লবা অঙাংশিংনা থেংনরিবা চৈথেং অসিগী মতাংদা মেদিয়ানা হকচিননা লৌদুনা খন্ন-নৈনবা কয়া উদে। হীরম অসিগী মতাংদসু নীংথিনা খন্ন-নৈনহন্নিংই।

**নিংথৌ (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-থাং-তা হায়রিবা আর্টফোর্ম অসি ঙসিগী মীরোলনা মীরাইবা তৌরোইদবনি। মসিনা মীওই অমবু অফবা থকশি খাসি লৈহনবদা অমদি মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল পোকহনবদা চাউনা থৌদাং লৌরি।

ই-পাউ তেংবাং লুপ মনিপুর অমদি কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস কলচরেল সোসাইতি (কিমাক্স) না পুন্না শিনদুনা ঙসি কোনুং মমাংদা লৈবা শ্রী বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কলেজতা অনিশুবা রাজ্য থাক্কী থাং-তা চাংদমবা লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা নিংথৌ লৈশেম্বনা হায়-মনিপুরনা ঙসি শাংলবা পুৱারী, লাইনিং লাইশোল, জগোই ঈশৈ অমদি অঙনবা মতমদগী চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকপগী চাউথোকচবা অমা ঐখোয়দা পোক্লিবা অসি থাং-তাগী মপালননি। মীওই খরনা হৌজিক্কী মতমদা থাং-তা তম্লগা করি কান্নগদৌরিবনো হায়না খন্নরিবা অসি অরানবা ৱাখলনি। থাং তানা মীওইববু অফবা থকশি খাসি লৈহনবদা, মশা-মউ, লমচৎ শাজৎ ফাহনবা অমদি মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল পোকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**ফেষ্টিবেল(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ক্লাসিকেল মনিপুরি সোলো দান্স ফেষ্টিবেল ঙসি জাৱহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মনিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর কম্মিস্নার-এম. জয়না হায়-হৌরক্লিবা আর্টিষ্টশিংদা মনিপুরি ক্লাসিকেল দান্স অসিগী পুৱারী নীংথিনা খঙহনবা তঙাইফদে। মনিপুরি ক্লাসিকেল দান্স য়াওনা লমদম অসিগী লৈরিবা ইনাক খুলবা কালা সংস্কৃত্তি অসি তুং কোইনা য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা থৌদাং লৌফম থোকই।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চোল্লর-প্রোফেসার হিজম তোম্বীনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**বসন্তা (এল)ঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি-মথং থাগী অহুমদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা মমাংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি.জে.পি. সরকারনা লুপা লিশিং অমমম পীননবা থৌরাং তৌরি।

লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিংগীদমক বিষ্ণুপুর জিলাগী উৎলৌ সাজোরদা নৌনা শাখিবা প্রি-ফ্রিবিকেটেদ হাউস, পাব্লিক হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-লেবর কার্ড য়াওনা সরকারনা পীবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা পীননবা হোৎনরি। মহাকা হায়-ইরাং অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিং সরকারনা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংননবা অমদি রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকবা সরকারনা হোৎনরি।

থৌরমদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল. বিক্রম, নম্বোলগী এস.দি.ও. টি. শ্যামকুমারনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**ৱার্কশোপ(এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা মনিপুরি অরাংফম দিবলপমেন্ট এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুসননা শিনদুনা নুমিৎ মরিনি চথরকপা লাই হরাউবা জগোইদা য়ুম্ফম ওইবা ৱার্কশোপ, সেমিনার অমসুং দেমোন্সত্রেসন ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাউরং শাবল মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা মনিপুর পন্দিৎ লোইশঙগী পন্দিৎ-য়াইমা নোংমাইথেম অপাইবী মীতৈ, মনিপুর অরাংফম দিবলপমেন্ট এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুসনগী এদভাইজর-অবুজম জাকিশ্বর মীতৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ককচিং ব্রাঞ্চনা গ্রেস কোতেজ একাদমি ককচিংগা খুৎশমদুনা লম-তু শেংদোকপা অমদি চরু মৈ থাবা থিংনবগী

কেম্পেন ঙসি ককচিং লৌয়াই লম্বীদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ককচিং ব্রাঞ্চকী মীওইশিং, জ্‌নিয়র রেড ক্রোস অমদি য়ুথ রেড ক্রোসকী ভোলুন্তিয়ারশিং শরুক য়াখি। কেম্পেন অদুগী শরুক অমা ওইনা চরু মৈ থাবগী মাংজবা কয়া মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা ককচিং লৌরেল লম্বীদা তাবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শেংদোকখি।

**কম্পিটিসন (এল)ঃ** মীসন ত্রান্সফোরমেসন ওফ গভরমেন্ট স্কুল (এম.টি.জি.এস) না শিনদুনা সরকারগী স্কুলশিংদা তম্লিবা ক্লাস থ্রিদগী আইট ফাওবগী মহৈরোইশিংগী ওইবা অহুমলকশুবা ষ্টেট লেবেল কম্পিটিসন অমা ঙসি দি.এম. কলেজ ওফ কর্ম্মস অমসুং থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপগা মরী লৈননা এম.টি.জি.এসকী জেনরেল সেক্রেটরি-শগোলশেম অমরজিৎনা হায়-সরকারগী স্কুলশিংদা তম্লিবা মহৈরোইশিং গ্রাস রুট লেবেলদগী শেমগৎতুনা মালেমগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা মহৈরোইশিংগা চাংদমবা ঙমবা পান্দমগা লোয়ননা ঙসিগী চাংদমবা অদু পাঙথোকখিবনি। কম্পিটিসন অদুদা পুন্না মহৈরোই লিশিং অনিরোমনা শরুক য়াখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** মনিপুরি সাহিত্য সমিতি থৌবালনা চহি অনি অনিগী ওইনা পীবা সাহিত্যগী মনাশিং ঙসি থৌবাল কলেজ মল্টি পরপজ হোলদা লান্থোকখ্রে।

ঙসিগী তৌরম অদুদা অইবী-সমুরাইলাকপম শান্তিবালা দেবী, নোংমাইথেম কিরনকুমার, কৈথেললাকপম লন্দন, ই.এস. সুন্দর, থিয়াম সেকেন্দ্র, খ্বাইরাকপম সুনিতা অমসুং থবাতোম্বী ঙাংবমদা তোঙান তোঙানবা সাহিত্যগী মনাশিং পীদুনা ইকায় খুমখি।

**মনকিবাট (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মশা মউ ফনা নাদ য়েক্তনা লৈনবা ফিট ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন অসি হৌজিক্তি মীয়ামগী ওইবা ইহৌ অমা ওইরক্লে।

অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মনকি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- মীয়ামা হৌজিক্তি হকশেলগী লমদা নিংথিনা পুকিং চংবা উবা ফংলে। স্কুলশিংদসু হৌজিক্তি অঙাংশিংগী ফিটনেসতা কা হেন্না মীৎয়েং চংলে। ফিট ইন্দিয়া স্কুল অৱারস হায়বসিসু অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থমবগী মাইকৈদা থাংজিনবা খোঙথাং অমনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- স্কুলদা শান্ন-খোৎনবা অমদি যোগনচিংবা পাঙথোকপা অসিনা অঙাংশিংনা স্কুল চৎনিংবগী চাং হেনগৎহনবদা নত্তনা হিরম অমদা পুকিং চংনা হোৎনবগী থৌওংসু তন্বী।

মশা-মউ ফনা নাদ য়েক্তনা লৈনবগীদমক ইমুং কয়ানা ফেমিলি ফিটনেস অৱার হায়দুনা চয়োল অমদা পুং ১ ফিটনেসকীদমক কাইথোকপা অমদি ইমুং খরদনা ইন্দিজিনস গেমস রিভাইবেল হায়দুনা লমদমদুগী ওইবা মশান্না কয়াবু অঙাংশিংদা তন্বীবগী থৌওং চত্থনরকপবুসু প্রধান মন্ত্রিনা পনখি। মীয়ামা করিগুম্বা ফিটনেস রুটিনগী মরমদা নৌনা খঙবা কয়া লৈরবদি ফিট ইন্দিয়াগী মীংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকবসু শ্রী মোদিনা হায়রি। থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা রন ফোর য়ুনিতিগী থৌরমদসু মীয়াম পুন্না শরুক য়াবীদুনা লৈবাক পুম্বা পুনশিন্নবগী লাইৱাগা লোয়ননা ফিটনেসকী লাইৱা অসিবুসু মফম খুদিং য়ৌহনবীনবা প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীথোই মীহেন ওইখ্রবা মীওই কয়াগী মপোক কুমওন পালন পাঙথোকপা অসিনা নৌনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা অনৌবা থৌনা অমদি ইনোৎ কয়া হাপলি। ওক্তোবর ৩১ দগী চহি অমা চুপা চত্থগদবা সদার পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন পালন অমদি নবেম্বর ১৫ দগী চহি অমা চুপা পাঙথোক্কদৌরিবা ভগবান বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন পালনগী মতাংদসু মহাকা পনখি। মহাকা হায়-অথোইবা মীওইপোক

অনিসিনা শিংনবা কয়া থেংনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমবু কায়হন্দনবা থবক কয়া পায়খৎলমখি।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি নোংচুপ বঙ্গলাগী বঙ্গলাদেসকা লোন্নবা পেত্রাপোলদা নৌনা শাবা পেসেঞ্জর তর্মিনেল বিল্ডিং অমসুং মাইত্রি দুৱার কৌবা কারগো গেট অমা শঙ্গাখ্রে।

পেত্রাপোল লেন্দ পোর্ট অসি খা-এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা হিথাংফমনি। মসিনা ভারত অমসুং বঙ্গলাদেসকী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী লমদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। ঙসি শঙ্গাখিবা পেসেঞ্জর তর্মিনেল অসিনা লৈবাক অনিগী নাগরিকশিং চৎথোক চৎশিন তৌনবা অমসুং মালেম থাক্তা লল্লোন ইতিক হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা নোংমদা পেসেঞ্জর লিশিং ২০ হেন্না কান্নবা পীবগা লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কষ্টমস অমসুং সেক্যুরিতিগী লমদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। মাইত্রি দুৱার কারগো গেট অসি লৈবাক অনিনা য়ান্নদুনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মমাং চহিগী মে ৯ দা প্রোজেক্ট অসি শানবা যাত্রা হুনখিবনি।

**রাষ্ট্রপতি ঃ** ভারতপু স্পেচ প্রোগ্রামগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিনহনবা ঙম্বগীদমক রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) বু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

নিউ দিল্লিদা লৈবা অকাশবানিগী রঙ্গ ভবনদা পাঙথোকখিবা সরদার পাতেল মেমোরিয়েল লেকচরদা পীখিবা মহাক্কী ভিদিও মেসেজদা রাষ্ট্রপতিনা সরদার পাতেলগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। মহাকা হায়- সরদার পাতেল অসি নিংথৌ পানবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াবু অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবখিবা মোর্দন ইন্দিয়াগী অর্কিটেক অমনি। মহাকা হায়- ষ্টেচু ওফ য়ুনিতি অসি সরদার পাতেলগী মফমদা কৎপা মতিক চারবা শ্রদ্ধাঞ্জলি অমনি।

**ডেঃ** ইনফেন্টরি ডেগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি ভারত লান্মীগী রেঙ্ক পুমমক্কী মীওইশিং অমদি ভেটরানশিংবু মখোয়গী থোইদোক হেন্দোকপা থৌনা লিংজেলগীদমক থাগেৎপা ফোংদোকখ্রে।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ-জেনরেল অনিল চৌহান অমসুং চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ-জেনরেল উপেন্দ্র দিবেদিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেসনেল ৱার মেমোরিএলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ঙাংবম অমুখোন্বদগী--**

**কাং (এল)ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই ৱালিদা কাংশঙদা চথুরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ (কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই) মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়াইস্কুল কাংখুৎনা ভগবতি কাংখুৎপু কাঞ্জল ১২-৪ দা থোইখ্রে।

**লমজেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ককচিং অমসুং খেল্লো ইন্দিয়া সেন্টর ককচিংনা পুন্না শিনদুনা স্বাছতা ফ্রিদম রনগী মঙাশুবা এদিসন ঙসি ককচিং ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

লমজেল অদু দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার-এন.জি. সুনিতা চনুনা লমথাখি। মদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোই ৫২ না শরুক য়াখি।

**চেসঃ** ভারতকী চেসকী গ্রান্ট মাস্তর-আরজন্ ইরিগাইসিনা চেস রেটিংদা লিশিং ২,৮০০ হেল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্কী নুংঙাইবা ফোংদোকপগী ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়-মসিনা

হৌগৎলক্লিবা চেস শান্নরোইশিংদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরগনি।